লাইব্রেরি এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

হৈরোক, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন (মালা)না চিংঙোল ক্লব হৈরোকক খুৎশম্নদুনা নুমিৎ নিনিগী ওইবা লাইব্রেরি এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী হৈরোক পার্ট ৩ চমপ্রা থোং মনিংদা লৈবা নিংঙোল ক্লবকী কনফরেন্স হোলদা হৌখ্রে।

রাজা রামমোহোন রোই লাইব্রেরি ফাউন্দেসন (আর আর আর এল এফ) কোলকতাগী স্পোন্সরসিপ মখাদা পাঙথোকখিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিগী ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিএসন (মালা)গী প্রসিদেন্ট কাংজম চাউবানা অথোয়বা মীথুং, নিংঙোল ক্লব হৈরোককী সেক্রেটরি জেনরেল সোফিয়া খুন্দোংবমনা থৌরম মপু অমসুং জেনিমসকী চিফ লাইব্রেরিয়ন ডা. এস সোফিয়ারানিনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুগী নুংথিলগী সেসনদা মালাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাই লাক্ষমন, মালাগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট এন ইনাওচা অমসুং নৈলিট কোহিমাগী লাইব্রেরি কে ঐচ নন্দানা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াদুনা লাইব্রেরিগী মতাংদা সুগাইনা তাকপী-তম্বীখি।

নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা নিংঙোল ক্লব হৈরোককী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এলাংবম সনাহনবীনা হায়খিবদা নুপীশিং লাইরিক নিংথিনা তমহন্দুনা লাইরিক হৈহল্লবা মতম অদুখক্তদা খুন্নাই অসি চাওখৎপা লমদম অমা ওইহল্লক্নি থাজৈ। মসি নৎত্রবদি খুন্নাই অসি চাউখৎপা পুরকপা ঙম্লোই হায়রদুনা হৌজিক খুঙ্গংগী লমদা নুপী অয়াম্বনা লাইরিক নিংথিনা তম্বা ঙমজদ্রি। মরম অমা নৎত্রগা অমনা লাইরিক মপুং ফানা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বা ফংজদবনা মরম ওইরগা হীরম কয়াদা শোথদুনা লৈরি হায়খি।

নুপীশিংনা মখোয়গী রাইট কয়া খঙজদবনা মরম ওইরগা রাইটশিং অদু ফংদনা লৈরি। স্কিম কয়া অমসু কান্নবা লৌবা ঙমজদ্রি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা নুপীশিংগী য়াইফনবা পীরিবা ঙাকলৌশিং খঙজবা ঙমজদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা নুপীশিংনা ওৎপা-নৈবা, ইকাইখুম্নবা মাঙহনবীবা কয়া অসি হৌজিক-হৌজিকসু লেপ্তুনা থোক্লি হায়রদুনা পোলিটিক্সকী লমদসু নুপীশিং মপুং ফানা থৌদাং লৌবা ঙমজদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা দিসিজন মেকিংদা শরুক য়াহনবীবগী চাং য়াম্না নেম্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, নুপীশিং লাইরিক-লাইসু নিংথিনা তমহন্দবা য়াদে। লাইরিক নিংথিনা হৈহন্দবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈহন্দুনা ঐখোয়না লাইরিক্তগী ফংলকপা ৱাখল-লৌশিং অদুনা পাঙ্গল ওইদুনা খুন্নাই অসিদা নুপীশিংনা পঙ্গল থৌনা মতিক চানা উৎপা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ঙসিদগী হৌরিবা টু দে লাইব্রেরি এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ঐখোয় খুদিংমক লাইব্রেরিনা পীবা কান্নবা অদু খঙবগা লোয়ননা কান্নবা অদু লৌমিন্নদুনা নুপী-নুপা খাক্তনা ঐখোয় লাইরিক-লাইসু হৈরবা খুন্নাই অমগী মীওই অমমম ওইহল্লসি হায়বা পান্দম অদুদা পাঙথোকচবনি হায়রদুনা নিংঙোল ক্লব হৈরোকনসু হৈরোকতা লৈরিবা নুপী খুদিংমক লেম্না শেল তিংদনা এম এ ফাওবা তমহনগদবনি। মসিগীদমক পোলিসি প্লান পুথোকপীয়ু হায়বা ৱাফম অমা এ সী অসিগী এম এল এদা পুখৎলগনি হায়রদুনা মথৌ তারক্লবদি সিগ্নেচর কেম্প্যেন ফাওবা তৌগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিদগী হৌরিবা টু দেস লাইব্রেরি প্রোগ্রাম অদুদা হৈরোককী তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিং অমদি ক্লবশিংগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

অনৌবা ওফিস বিয়াররশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মপুনবা ষ্টুদেন্টস বোদি ওইরিবা মুসুগী অনৌবা ওফিস বিয়াররশিং খনবা লোইরে। মাংলমচৎতা মুসুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি চাউখৎনবা হোৎনবদসু থোয়না অহোংবা কয়া লৈহনবা ঙম্লক্তবসু চৎলিবা অনৌবা চহিগী ওইবা মুসু অমদি মতিং থোকপা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহন্নবা হায়বসিদা পুংসুপ-সুপ্পা পান্দম্লি হায়না মুসুগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম বোবিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, শোথরক্লিবা খুন্নাই অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিনা মীয়ামদা অনৌবা য়াইফা থৌজাল পীবা হায়বসি তঙাইফদবা থবক অমনি। ৱানা শেল তান্দুনা হিংননবা হোৎনরিবা ফেমিলি কয়াগী মচাশিং অয়াম্বনা অশা কয়াগা লোয়ননা ৱানা মহৈ-মশিং তম্লিবা মফম ওইরিবা য়ুনিভর্সিটিনি। খুন্নাই অসিগী অৱাংবা ৱাখল পুথোকফম ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৈখা তারকপদা খুন্নাই অসিগী লম্বেল মাঙবগা পাঙ্খক্লি।

ইহৌ নৌনা থোক্লকপা ইনফোর্মেসন অমদা ইন্দিয়াগী য়ুনিভর্সিটি ১০০ খনগৎপদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি য়াওবা ঙমদ্রে হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী ইকায় ফিরুক খুম্বনি হায়না লৌই। পুন্নমক্কী হৌরকফমদি ওজানা ওজাগী মথৌ তৌরক্তবা অমদি মহৈরোয়না মহৈরোয়গী মথৌ খঙলক্তবা অসিনা ওইরকপনি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমদি রিসর্চ বেজ য়ুনিভর্সিটি ওইবগী মহুৎতা টিচিং বেজ য়ুনিভর্সিটি ওইরকপা অসিনি। মরম ময়াম অসিদগী অকনবা একাদেমিক এদমোস্ফিয়র লৈনবা অনৌবা মুসুনা তুংগী লৈবাক্কী খল্লগা চপ চাবা থৌদাং লৌগনি। লোয়ননা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সিষ্টেম অসি কন্দাইদা শোইবগে হায়বসি থিগৎপা হৌরগনি হায়রি।

এম এস পি দি সী এল ৱাংজিং সব-দিভিজননা কঞ্জ্যুমরশিংদা অৱাবা ময়োক্লহল্লে

থৌবাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুটর কম্পনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)গী ৱাংজিং সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈরিবা কঞ্জ্যুমরশিংবু মৈগী রিচার্জ তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইহল্লে হায়না এরিয়া অসিগী মীয়াম্না ফোঙদোরক্লি।

মীয়াম্না প্রেসতা হায়রকপগী মতুং ইন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্তা নৌনা এম এস পি দি সী এলগী ৱাংজিং সব-দিভিজন খায়দোকখিবা মতুংদগী সব দিভিজন অসিগী ওইনা ওনলাইনদা রিচার্জ তৌবা য়াহনখিদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা কঞ্জ্যুমরশিংনা অমম অথেংদা শেল লোইখিবদা মমবগী ফিভমদা লৈরে হায়রি।

ইলেক্ট্রিক প্রিপেদ মিটর রিচার্জ তৌবদা সব দিভিজন অসিগী ওইনা ওফিস খক্তদা চত্তুনা রিচার্জ তৌহনবনা মরম ওইরগা সব দিভিজন অসিনা কোল্লিবা কঞ্জ্যুমরশিংনা রিচার্জ তৌবদা ওফিস মতম হেনখ্রবদি রিচার্জ তৌফম লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লহল্লে। মরম অসিনা হৌজিক ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী এগজাম ময়ানিনা অমম অথেংদা শেল লোইখ্রবদি খুদোং চাহন্দ্রে। মরম অসিনা অথুবদা দিপার্টমেন্ট অসিনা ৱাংজিং সব দিভিজন অসিখক্কী ওইনা ওনলাইন রিচার্জ য়াহন্দ্রবা কঞ্জ্যুমরশিংদা অৱাবা পীরিবা অসি তৌবীগনু হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

কঞ্জ্যুমরশিংদা মতম মাংহল্লিবা রিচার্জ হাপনিংবা মতম অমদা ওইলাইনদা মশা-মশানা রিচার্জ কাপচবা য়াহনখিদবদা ওফিস তান্না চৎহন্দুনা রিচার্জ হাপহল্লিবা অসি মতাং চাদনা মৈ লাকখিদবা, অরাপ্পদগী ওফিস তান্না চত্তুনা লৈরগদ্রা হায়না হংলদুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অসিনা মীয়ামগীদমক খনবীরগা অথিংবা অসি লৌথোকপীয়ু হায়রদুনা কনাগুম্বা কম্পনি অসিগী রিচার্জ সেলস পোইন্ট খরাদদি অথিংবা অসি লৈহন্দে হায়রি।

রোমিওগী মীশিগী মতাংদা জে এ সী শেম্লে, মীওই তরেৎ ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ফুনান মরিং খুলদা খৃষ্টমাসকী মুক্ষ্মে য়েংবা চৎমিন্নসি হায়দুনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা ময়ুমদগী মোবাইল ফোনদা কৌথোক্লগা মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীরল্লবা অরাপটি অৱাং লৈকায়দগী সোইবম রোমিও এলিয়স অথোই (১৭) কী মীশিগী মতাংদা ঙসি লিলোং অরাপটিদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ খরা লৌখ্রে।

ৱারেপশিং অদুদি, মীশি অসিগী মতাংদা জে এ সী এগেন্টস দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ সোইবম রোমিও এলিয়সু অথোই কৌবা অমা শেম্লে। জে এ সীগী কনভিনরনা উরিৎখুম্বম শরৎচন্দ্র ওইনা খনখ্রে, মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা চৈরাক পীদুনা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকপীয়ু, মীহাৎ অসিদা চেন্নবা লৈকায়গী মীওই য়াওরল্লবদি লৈকায় অসিদগী তান্থোকপা, লৈখিদ্রবগী ইমুংগী মীওইদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতিক চাবা কম্প্যেনসেসন পীবা হায়না লেপ্লখি।

অমরোমদা জে এ সীগী মীওই তরক্লা ঙসি মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উন্নদুনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম অদুদা মরু ওইনা পল্লিবদি, সোইবম রোমিও এলিয়স অথোই মীশিগী মতাংদা চেন্নবা মীওইশিং লোগী মতিক চাবা চৈরাক পীদুনা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোক্কদবনি, লৈখিদ্রবগী ইমুংদা মতিক চাবা কম্প্যেনসেসন পীবিগদবনি, মথক্কী ৱারেপশিং অসি থবক্তা ওন্থোকত্রিবমখৈ অশিবা অকচাং লৌদবা হায়না মেমোরেন্দম অদুদা পনখি।

মীয়ামগী ৱারেপশিং অসি য়াওবা মেমোরেন্দম অমা ঙসি জে এ সীগী মীওইশিংনা মণিপুরগী চেফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা হকথেংননা উন্নদুনা পিসিনখ্রে। চিফ মিনিষ্টরনা জে এ সীগী ৱারোল অদু তারবা মতুংদা মীশি অসিদা চেন্নবা মীওইশিং চপ চানা বুক তৌদুনা লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীহনগনি।

চিফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খিবদা, লিলোংগী অরাপটি থোংখোঙদা পুলিস আউট পোষ্ট অমা শাদুনা লম্বী অসিদা দ্রগ লালোন-ইতিক তৌবা, দ্রগ পুশিল্লকপা অমদি অচাবা মীওইশিং ফাগৎনবা থৌরাং পায়খৎলগনি হায়খি। ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী চেক পোষ্ট হেন্না চেক কনখৎহন্দুনা লম্বী অসিদা দ্রগ চাবা অমদি য়োনবশিং ফাগৎনবা অকনবা থবক পায়খৎলগনি হায়না খুঞ্জাশিংদা থাজবা পীখি।

অমরোমদা রোমিও মীশিগী মতাংদা মরু ওইনা চেন্নবশিংনি হায়না চিংনবা মীওই ৭ ইরিলবুং পুলিসনা ঙরাংদগী ঙসি ফাওবদা ফাগৎখ্রে। মখোয়শিং অদুদি লিলোং অরাপটি অৱাং লৈকায়দগী নাওরেম অমরজিৎ এলিয়স গুরু (১৯) অপোকপা জি তেন, লৈকায় অসিমক্তদগী এলেক্স চনম (১৯) অপোকপা সী ঐচ অবুংচা, অরাপটি মনিং লৈকায়দগী য়াইখোম নাওবা (১৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই প্রেমচান্দ, খোঙমন ওক্রম চুথেক্তদগী তেন্সুবম বিকেস (১৮) অপোকপা টি সুরচন্দ্র, লৈকায় অসিমক্তদগী সাপম পূন্সিবা (১৮) অপোকপা এস খোগেন, থোংজু ফৈজালৈতোংদগী নিংথৌজম লনচেনবা (১৯) অপোকপা এন গান্ধি অমদি লৈকায় অসিমক্তদগী ফৈরোইজম বোনিসন (১৮) অপোকপা পি ঐচ গোপালনি। মখোয়গী মনুংদা নাওরেম অমরজিৎ অমদি এলেক্স চনম মরু ওইনা চেন্নবনি হায়রি। মখোয় হৌজিক মখা তানা ইরিবুং পুলিসনা ৱাহং-পাউহংবগী থবক চখরি।

নিংঙোল খুদোল তমখ্রে

ককচিং, দিসেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস):

সোসাইটি ফোর ব্রাইট ফ্যুচর ন্যু দিল্লিগী শেন্থুং মখাদা জামট ঈ ইস্লামী হিন্দ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা শোথনা লৈরিবা মীওই ৭০ রোমদা ব্লানকেট অমমম নিংথমগী খুদোল ওইনা তমখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী সম্থেল অৱাং লৈকায়দা পাঙথোকপা ব্লানকেট খুদোল তম্বগী অচম্বা থৌরম অমদা জামট ঈ ইস্লামী হিন্দ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ওর্গনাইজর অব্দুল হেলিম, অমির ঈ মুকাম সাম্থেলগী অব্দুল কাদির অমদি জামট ঈ ইস্লামী মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজর মৌলানা রিয়াজ খাননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা অব্দুল হেলিমনা হায়, সোসাইটি ফোর ব্রাইট ফ্যুচর ন্যু দিল্লিনা পায়খৎপা ৱিন্টর রিলিফ প্রোজেক্টকী মখাদা পাঙথোকপনি। প্রোজেক্ট অসি মরু ওইনা লৈবাক অসিদা শোথনা লৈরিবা তোল্লা তারবশিংদা নিংথমগী অৱাবা মায়োক্লবদা অমদি খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় মশেল অমগা-অমগা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নদুনা তংদু লৈতাবা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইনবা পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়খি।

পনবা য়াই ঙসিগী ব্লানকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা উচিৱা হয়াল, উচিৱা কবুই, হৈবোংমখোঙ, খেলাখোঙ লৌকোক, ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন, উচিৱা নাস্তাউ, সাম্থল, হেঙ্গুন অমদি কোনুমা ফৌবাকচাউদগী খনগৎলবা অহল ওইরবা তোল্লবা মীওই ৭০দা নিংথমথগী খুদোল অদু তমখি।

ꯂꯥꯛꯎ ! ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯎ ! /COME ! & JOIN !

THE 28TH IMPHAL BOOK FAIR, 2019
ON
10TH - 19TH JAN., 2020 AT 10:00 A.M. TO 7:00 P.M. (DAILY)
AT
TIDDIM ROAD ATHLETIC UNION (TRAU) GROUND,
KWAKEITHEL, IMPHAL
SPOT PAINTING COMPETITION ON
12TH JAN., 2020 (SUNDAY) AT 11:00 A.M.
FREE PARKING

HL-P/5600/27,28
Sd/- Chief Librarian, State Central Library, Imphal

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংফম খঙদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হামনীংই হায়না চংলগা হামেং মথিগুম্না মরূ অমা অনীতং হাল্লগা তোকপা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোল্লগা লৈবা, পোমথোল্লগা লৈবা অদুনা মরম ওইদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংফম খঙদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা তৌরগা লৈবা, ফম্বা মতমদসু য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাল্লগসু হামেং মথিগুম্না অকনবা মরূ অমা অনীতং হাল্লগা তোকপা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাম্বা য়ানবা হীদাক চারিফাওবতং খোঙ হাম্বা, হীদাক চাবা লোইরগনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কারগা পুক চপ তিংলগা লৈবা, চাবা থকপসু য়াদবা খোঙ হাম্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা থুনা চৎপা, অহিং তূম্বা য়াদবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323/9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/5344/28
থাগৎচরিবা : **S. Kenedy Meitei,** Yairipok

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/ৱাহেংবম অৱাংতাবম ফুরুপকী অপোকপগী থৌরম পাঙথোকপগী পাউজেল

লাক্লিবা তাং ৩১/১২/২০১৯ ইং ৱাকচীংগী ৫নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱাহেংবম অৱাংতাবম অপোকপগী চাকনৌ তংবগী নুমিৎ থোক্লে। নুমিৎ অসিদা ইরমদম অসিদা লৈবিরিবা ৱাহেংবম অৱাংতাবম ফুরুপকী ফুরুপচাশিংনা ৱাঙ্গোইদা লৈরিবা অপোকপগী খুভম অসিদা লাকপীদুনা চাকনৌ তংবগী থৌরম অসিবু শরুক য়াবীয়ু। কনাগুম্বা য়াওবীনীংবশিংনা মখাদা পীজরিবা নম্বরশিং অসিদা লাক্লিবা তাং ২৯/১২/২০১৯ ফাওবগী মনুংদা পাউ পীবিরকউ।

M/Nos. 1) 8257837396 - W. Meipak, Patsoi
2) 8974281329 - W. Basanta, Wangoi
HL-P/5588/27,28 **3) 7629080645 - W. Jadumani, Wangoi**

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি

জন্ম কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। দশা লাংফম কোক্লবা, মহৈ-মশিং ফগৎনবা, পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংনবা, অৱাংবা পারিক্ষাদা মায় পাক্লবা, হায়না তানবা ইন্নবা, নিষা-পাষা চাদনবা, থবক করবার ফগৎনবা, প্রমোসন-ভোট কাননবা, শেল হেন্না লাক্লনবা, শেল তোনখিবা শিংলক্লবা, পুৎথবা শেনফম হঙ্গৎনবা, লৌ-ইংখোল লেপ্পা ঙম্নবা, ফজবা য়ুম শাবা ঙম্নবা, ইংখোলদা য়েংশিনবা ঙমদনবা, খৎনবা-য়েৎনবা কেস ঙম্ননবা, ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্ননবা, য়ুম্বাল মরা চেৎননবা, অঙাং পোক্তবা ফংনবা, হকচাংগী অরুবা অনাবা কোক্লবা, লাইগী-মীগী পোৎশেম-যাদু চঙদনবা ঙসিমক লাক্তুনা মতম লৈরিঙৈ ফনবা তান্নবিয়ু। অয়ুক পুং ৭তগী ১১ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

Contact:- **Jyotish Maharishi Dr. Ph. Rajendra**
(International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
HL-P/5567/12dec-13/01 Near Community Hall, Imphal East

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংগুম্না পোল্লগা য়াম্না চিকপা-নাবা, চিকপা অদু খাংবদা য়াম্না ৱাবা, মতম খরা লৈরগা মচিন নাইরগা নাই চারকপা অমদি য়াম্না চিকপা-নাবা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগনা চিকপা-নাবা খরা ফবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংগুম্না পোল্লগা য়াম্না চিকপা-নাবা, চিকপা অদু খাংবদা য়াম্না ৱাবা, য়াইরোংগুম্না পোমথোকপা অদুনা মরম ওইদুনা ফম্বদা য়াম্না নাবা, মতম খরা লৈরগা মচিন নাইরগা নাই চারকপা অমদি য়াম্না চিকপা-নাবা, নাই অদু মেৎথোকখ্রগনা চিকপা-নাবা খরা ফবা, নাই অদুনা অমাংথোঙদা চোৎ-চোৎ লাওরগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাম্বা, করিগুম্বদা খোঙ হাম্বা লোইরকপদা অমাংথোঙদা য়াম্না থুপ্পা-শাবা, অমাংথোঙ মনুংদা খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা ফুরিগুম্না মচা অমা তংলগা লৈবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাল্লকপা অদুনা অমাংথোঙদা খেতৎলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা তাংমুক শাংনা ইন্থরকপা অদুগা খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা ফহনবগীদমক ওজা MV Azad Phusam বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Sat. and Wed open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/5598/28
থাগৎচরিবা : **S. Olen Meitei,** Bamon Leikai

BRIGHTER ENGLISH ACADEMY, OINAM

A co-educational High School
Affiliated to Board of Secondary Education, Manipur

RUN BY MDFI INTERNATIONAL

INVITES APPLICATION FOR THE FOLLOWING POST

Post	Qualification	Experience	Salary	No of Post
Social Science	M.A + D.El.Ed / B.Ed	Min 2 years of teaching experience.	15k -20k	4
Mathematics	M.SC + D.El.Ed / B.Ed	Min 2 years of teaching experience.	15k -20k	4
Meitei Mayek	M.A + TET Qualified + D.El.Ed	Min 2 years of teaching experience.	15k -20k	4
Science	M.SC + D.El.Ed / B.Ed	Min 2 years of teaching experience.	15k -20k	4
English	M.A [ENG] + D.El.Ed /B.Ed	Min 2 years of teaching experience.	15k -20k	4

Application form can be had from office of the Academy, &
Manipur Development Financial Investment [MDFI] Keishampat and Konung Mamang office.
Last date of issuing & submission of Recruitment Application form :- 10th Jan.2020.
Date of Personal Interview [PI] will be notified later.
Contact Nos. :- 8259003431/8731899722

Sd/-
Headmaster

HL-P/5597/27,28,29,30,31

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ৱাঙ্গোইগী পাইলসকী ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংসি পাইলসকী অৱাবা খাংদুনা লৈরকখি। শৌজ মপান্দা হাকৎচবা, কক কক থিনবা, খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, শৌজ মনুংদা পোম্বা, মপান্দসু পেরে থোকই। চেকখাইরগা থুপ্পা-শাবা, গ্যাষ্ট্রিকনি। অতোপ্পা মাইবশিংগী হীদাক চাজখি, কান্নবা ফংখিদে। মমৈদা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8014623756, 8794429681গী মনাক্তা চৎতুনা ওজাগী পাউতাক্কী মতুং ইন্না হীদাক চাজবদগী হকচাং য়াম্না নুংঙাইজরে, পাইলস মপূং ফানা ফজরে। মরম অদুনা ওজাবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-
1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6:30-4:30 p.m.)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10am-4pm)

থাগৎচরিবা : **Y. Kenedy Meitei**
HL-P/5437/28 Singjamei Bamon Leikai

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ খরদং লাপ্না চৎপা ঙমদবা, হকচাং শিথবা, পংথরকপা, তাং-তাং পোমখৎলগা পোৎ পায়শিনবা ঙমদবা, খূৎশাশিং পোল্লগা অরূম্বা পুবা ঙমদবা ফহনবগী ওজা Qayamuddin বু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা দাইবেটিসনা য়াম্না কুইনা নাদুনা লাপ্না চৎপা ঙমদবা, হকচাং শিথবা, পংথরকপা, তাং-তাং পোমখৎলগা পোৎ পায়শিনবা ঙমদবা, খূৎশাশিং পোল্লগা অরূম্বা পুবা ঙমদবা, ৱেট য়াওরক্তবা, চানীং-থক্লীংবা পোক্তবা, অহিংদা ঈশিং তোয়না চৎপনা হকচাং চোকথরকপা, ঈ য়াওরকপা, হকচাং পংথরকপা, খোঙশাশিং চৎপদা য়াম্না নাবা তৌরম্বা অদু **MV. Qayamuddin Phundreimayum ☎ 8413870027**তা মতম খরা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Qayamuddin বু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু, লোয়ননা মহাকপু পাউচেগী থোঙদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 11.00 am.
2. Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar : 12.00 noon to 5.00 pm.

HL-P/5414/28 *থাগৎচরিবা :* **Santosh Mayengbam, Mongsangei**



ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm

MATRIC TOPPERS OF 2019

1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

WINTER VACATION SPECIAL CAMP
CLASS I TO VII Starts on 19 December 2019 CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writers & Former Head Examiners

7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
13/01/20	English
15/01/20	S. Science
18/01/20	Maths
20/01/20	Science
22/01/20	Adl. Sub.
24/01/20	MIL

Last date of Form Submission 31/12/2019

PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-P/5855/4/12-4/01

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্না লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্না লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্না লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্ল ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীভৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফম্বা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্ল ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee
Phone No. **9612225582**
HL-B/5858/1/12-31/12